

এম এল এ করাম শ্যামগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল এ সীগী মনুং চনবা চজিংদা লৈবা ইবুধৌ পুরৈরোম্বা কম্যুনিটি হোলদা সী ঐচ সী ককৱাগা খুৎশম্নদুনা চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং মাস ভেক্সিনেসন তৌখিবা



২৩শুবা মৈরা পায়বী নুমীৎ পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা মৈরা পায়বী নুমীৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা সী এম কোভিদ রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙ ওইনা অথনবা দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩ মতেং পাংখিবা



কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩না সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন অমসুং সেনা য়ুথ ট্রষ্টকা খুৎশম্নদুনা ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩গী অকোয়বা মফমশিংদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখিবা



কুম্বী মনুংগী ক্লব, এন জি ওশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা কুম্বী দিভেলপমেন্ট কম্মিটি শেমখিবগী চহী ১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা কুম্বী লাই অচৌবা মান্দপতা পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী অহানবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম

## ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) : কুম্বী মনুংগী ক্লব/এন জি ওশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে য়ু দি সী) শেমখিবগী চহী অমা ফারকপগা লোয়ননা ঙরাং কুম্বী লাই অচৌবা মান্দপতা লূপ অসিগী অহানবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে।

কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম বোবিচান্দ লুৱাং, কে য়ু দি সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, নোংমাইথেম প্রকাশ, কে য়ু দি সীগী চীফ এদভাইজর খাঙেম্বম ইন্দ্রকুমার অমদি কে য়ু দি সীগী এদভাইজর নোংমাইথেম হেমন্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি ৱাংবেম রোর্কি চান্দনা কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা লিংখৎখিবা নুমীৎতগী ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা এক্টিভিটিজ ফোটো য়াওবা এন্যুয়েল রিপোর্ট বুক অমা পুথোকখি।

ঙরাংগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা চহী অমা চুপ্পা চথরকপা কোভিদ-১৯গী কেম্প্যেনদা শরুক য়াখিবা মীওই অনীদা অচম্বা খুদোলপোৎ অমদি এপ্রিসিএসন সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

## ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) : পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, অমৱোভা অমদি মেপৱার্কনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা কুমজা ১৯৯৯দগী মৈরা পায়বী নুমীৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটি শেম্লগা চহী খূদিংগী মৈরা পায়বী নুমীৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা মে ২৮দা খুরাই সলাম্থোংগী থরো দেবী লম্পাক্তা লৈবা মৈরা পায়বীগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা য়াম্না চম্না ২৩ রকশুবা মৈরা পায়বী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা শাথিবা চৈথেং অমা ফংদুনা হোস্পিটালদা লায়েংলিবা অনাবশিংদা মতেং ওইনবগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা অথনবা দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর অহুম মতেং পাংখ্রে হায়না মৈরা পায়বী নুমীৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর লোংজম মেমচৌবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## অহল ওইরবশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা মী অমত্তা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াখিদবনা মরম ওইরগা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী কাইরেম্বীখোক মমাঙ লৈকায়গী থবক শুবা চৎপা ঙমদ্রবা খনগৎলবা অহল ওইরবশিং অমদি কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা ঙসি ৱাংজিং তেন্থা য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা মোইবুংখোংবম রতননা ইমুং অমদা নোংমগী চঙবা চান-থক্লুবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

লোকদাউন থমখিবদগী অমদি কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা পান্দমদা মোইবুংখোংবম রতননা ৱাংজিং তেন্থা য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মতেংগ লোয়ননা খাইরেম্বীখোক মমাঙ লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৭ অমদি লৈকায় অসিগী খনগৎলবা অহল ওইরবা ওইরবী ৫০ রোমদা নোংমগী চঙবা চান-থক্লুবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবনি।

মোইবুংখোংবম রতননা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদসু পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীং হেনগৎলকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউশিল্লকপা, য়ুম-য়ুমদগী মী অমত্তা মপান থোক্লন্দবা, দুকান অমত্তা থোঙ হাংনদবনা অৱাবা তারবা লমদম অসিগী ইমুংশিংদা মতেং অসি ঙসিদগী হৌরগা পাংজবনি অমদি মখা তানসু অৱা-অনা তারবশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংখিগনি হায়খি।

# কোরোনা ভাইরস মায়থীবা পীগে হায়রবদি ইশা ইশানা ফিরেপ লৌবা মথৌ তাই : করাম শ্যাম

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কোরোনা ভাইরস অসি মীওইবা খুন্নাইনা মায়থীবা পীগে হায়বা তারবদি ঐখোয় ইশা-ইশানা ফিরেপ অমা লৌবা মথৌ তারে। কোরোনা ভাইরস পীবা অমসুং লৌবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয় খক্লা ওইবা মরম্না ইশাদা কোরোনা ভাইরস পক্লবসু কনা অমত্তদা শন্দোকহল্লোই অমসুং কনা অমত্তদগী মহিক অসি লৌরোই হায়বা ফিরেপ লৌমিন্নবা মতম ওইরে হায়না লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ করাম শ্যামগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল এ সীগী মনুং চনবা চজিংদা লৈবা ইবুধৌ পুরৈরেম্বা কম্যুনিটি হোলদা সী ঐচ সী ককৱাগা খুৎশম্নরগা ঙসি মাস ভেক্সিনেসন তৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মীওই ক্রোর ২০.৫ হেনবদা ভেক্সিন কাপখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু হৌজিক ফাওবদা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ য়াওরগা মীওই লাখ ৪ রোমদা ভেক্সিন কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপ্লিবা অসি মীওইবগী পুন্সি কন্ননবনি। অদুবু লাইবক থীবদি এক্সপার্ট নত্তনা কনাগুম্বা খরনা য়ুম্ফম য়াওদবা প্রোপেগন্দা ময়াম অমা শন্দোক্লগা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি দিষ্টর্ব তৌরি। অসিগুম্বা থবক অসিদা ঐখোয়না থাজবা থমগুমসি। মীওইবগী পুন্সি অমসুং তুংগী য়ুম্বীশিং কন্ননবা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ২০শুবা চহীচা অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবা হায়বদু ওইরে। চহী অমগা থা ৫ রোম অসি মালেমগী মীয়াম্না কোরোনা ভাইরস লান্থেংনদুনা লাক্লি। মালেমগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই লাখ ৩৫ হেন্না শিহনখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা লাখ ৩ অমসুং মণিপুরগী ওইনা মীওই ৭০০ হেন্না শিখ্রে। পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা কর্ফিয়ু, লোকদাউন তৌরকপা অসিসু নুমীৎ ২০ নি হেনখ্রে। হৌজিক মখা তানা অমুক শাংদোকপগী ফীভমদা লৈরি। হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা নুমীৎ খূদিংগী পোজিটিভ ওইবগী চাং ৭০০ তগীনা ৮০০ লোমগী চাং অদুগা শিবগী চাংনা ১০ দগী ২০ ফাওবা ওইরি। অদুনা মীয়াম কন্ননবা ঐখোয় ইশা-ইশানা ফিরেপ অমা লৌমিন্নরবদি লাইচৎ অসি মুথৎপা ঙমগনি খল্লি। লংথবাল এ সীগী ওইনা সী ঐচ সী ককৱাদা মীওই ২১৩০ অমসুং শামুরৌ প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদনা মীওই ২৯০০ রোম ভেক্সিন কাপখ্রে। ঙসি পাঙথোক্লিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিসু চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা অদুগা লাপ্পা চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙমদবশিংগী য়েংলগা পাঙথোকপনি। ৱাৎহৌবা লৈরগসু মখা তানসু ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি। মসিদা পোলিটিকেলাইজ তৌবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ৱাংজিং তেন্থা এ সী কোভিদ ফ্রী ওইবা এ সী ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি : ব্রোজেন

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর, থৌবালগী মখাদা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অমদি কোভিদ ক্যের কম্মিটি, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগা লোয়ননা এ সী অসিগী টাস্ক ফোর্স কম্মিটিশিংগা পূন্না অহানবা হৌদোকপা ওইনা ৱাংজিং ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী ওইনা ঙসি ৱাংজিং লাইকোল কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা হায়খিবদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অসি ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা মশাগী চহী ৪৫গী মথক্তা লৈরিবা মীওই খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্লবগী থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকপনি। ঙসি অসিনা অহানবা হৌদোক্লগা এ সী অসিগী লৈরিবা তেন্থা জি পি, সাপম জি পি, তেকচম জি পি, লাঙথেল জি পি, ৱাংজিং জি পি, কাইরেম্বীখোক এরিয়া, খোংজোম এরিয়া অসিদা মথং মথং কাপথোক্কনি। থৌরাং অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোকহনবনি। ৱাংজিং তেন্থা এ সী অসি কোভিদ ফ্রী ওইবা এ সী অমা ওইহন্ননবা ঐখোয় পুম্নমক্না হোৎনমিন্নসি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা, হৌজিক্তি হোম দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না দি সী, থৌবালনা নোটিফিকেসন থোকপীদুনা এ সী অসিদা কোভিদ লাকশিন্নবগীদমক কোভিদ টাস্ক ফোর্স ১৮ লৈরে। মসিনা লৈকায় লৈকায়দা মীয়াম পূনবা থিংবা, দুকান্দা মীয়াম ওমশিনবা থিংবা, মাস্ক উপ্তুবা কয়াদা মতম মতমগী এৱ্যেরনেস পীদুনা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌবীরক্লি। মীয়াম্না টাস্ক ফোর্স কম্মিটিশিংবু কো-ওপরেসন পীবিয়ু অমদি ঐখোয় পূন্না কোভিদ-১৯ অসিবু লান্থেংমিন্নসি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দা. কেঐচ মেমচা দেবী, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর, থৌবালসু শরুক য়ারদুনা কোভিদ ভেক্সিনেসন অসিগী নুংগী ওইবা কান্নরবা ৱারোল কয়া মীয়ামদা থমদুনা খঙহনবীখি।

থৌরমদুদা দা. এমদি জহানগির, এম ও, ৱাংজিং পি ঐচ সী, ও সুনিলকুমার সিংহ, প্রসিদেন্ট, বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দল অমদি এস জয়দেব সিংহ, পি আর ও, এম এল এ, ৱাংজিং তেন্থা এ সীসু শরুক য়াখি।

# পাক শন্না হিদাক কাপথোকপা অমসুং টেষ্ট তৌনবা থবক লৌখৎপা হৌরে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ দগী ঙাকথোক্লবা পাক শন্না হিদাক কাপথোকপা অমসুং টেষ্ট তৌনবা থবক লৌখৎপা হৌরে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী চহী ৭ মপুং ফারকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চথরক্লিবা সেবা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংগী ওইবা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেসশিংদা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না ঙসি থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লানফম অসি মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও অমনি। লাইচৎ অসিগী হৌরকফমনি হায়রিবা চিনানা লাইচৎ অসি নাবা মী অমত্তা লৈরক্ত্রিবা অসি করিগীনো হায়বা ঐখোয়না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। চিনাগী মীয়াম্না ৱাখল তান্নরকপদগী সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপা, মাস্ক কাঙলোন চুম্না উপ্পা, য়াদে হায়বা থবক অমত্তা মখোয়না তৌদবনা ঙসিদি মখোয়গী লৈবাক অদুদা লাইচৎ অসি শন্দোকপা লেপখ্রিবনি। ঐখোয়সু চিনাগী মতৌ তমদুনা লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা হোৎনমিন্নসি। কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা পাক শন্না হিদাক কাপথোক্লবা অমসুং টেষ্ট তৌথোক্লবা হিদাক অমদি কিটশিং পীরক্লে। টাস্ক ফোর্সশিংনসু হিদাক কাপথোক্লবা লৈরিবশিং হিদাক কাপথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই কম্যুনিটি হোলদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ১দগী ৩ ফাওবগী টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিং, ককচিং ময়াই লৈকায় মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোল অমদি জুবেনাইল এসোসিএসনগী ওফিসতা ৱার্দ ৱার্দ অদুগী টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি অমসুং টাস্ক ফোর্সশিংগী শীজিন্ননবা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভনচিংবসু এম এল এগী মায়কৈদগী পীরমখি।

বি জে পি ককচিং মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি ককচিংগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অদুদা ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এম এল এ ককচিং এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ মীতৈ, বি জে পি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ু ইবোমচা অমদি বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাই অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# কমপ্লেন্ট তৌফম খঙদবা ময়াম অমসু লৈরিবনি হায়বসি ওথোরিটিনা খঙবা চুমগনি : কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাই

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌফম খঙদবা ময়াম অমসু লৈরিবনি হায়বসি ওথোরিটিনা খঙবা চুমগনি হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী কোওর্দিনেটর সাইখোম রোসন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মরমশিংদি পরম চুম্না চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা হোম আইসোলেসন তৌদবা, আর টি পি সী আর টেষ্টনা খরা অশেংবা রিজল্ট ফংই হায়দুনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট অয়াম্বা তৌরগসু রিজল্টদি নুমীৎ ৪/৫ নি লৈরগা পীবনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমদা অতোপ্পদা শনে দাকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লি অমসুং পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদু মশা হেন্না শোকচিল্লবা মতুংদা রিজল্ট অদু থেংনা খঙবা, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতা পোজিটিভ ওইরবদি হোস্পিটালদা পুখৎনবা টার্গেট তৌই। সেবারিসু মথৌ তাদে, ডোক্তর, নর্সনা অয়াম্বা য়েংই। অদুবু হন্দক্তি য়ুমগী মীওই অমা সেবারি ওইনা কম্পলসরি লৈহনবা অসিনা ইমুং অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মী মশীং হেনগৎহনবগী চান্স য়াম্না ৱাংই। হন্দক্তি ইনষ্টিট্যুসনল ক্বারন্টিনগী মহুৎতা হোম আইসোলেসন্না অয়াম্বা মহুৎ শীনবনা চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা তৌগদবা অদুসু শুংতৌ তৌদনা অমদি ওথোরিটিনা নীংথিনা গাইদলাইন পীদবনা মশা-মশাগী হৈনজবী কাঙলোনদা তৌবনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীশক অদু লাষ্ট অৱারদা হোস্পিটালদা পুরক্লগা লায়েংবগী থবক চথুরি। কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌফমদা নোংমদা টেষ্ট তৌবা লাকপা মীওই লোইনা হোল অমদা কৌশিল্লগা লৈহনবা অসিনসু কোভিদনা নাবা অনাবশিং য়াওরল্লগদি অতোপ্পা নাজ দবা কয়াদা লৌনবগী চান্স য়াম্না ৱাংই।

অমরোমদা, ভেক্সিন কাপ্পগী চৎন-কাঙলোনসু অমত্তা মান্নদে। পোলিটিকেলাইজ ওইবা মওংদা ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা উহনবা অসিনি। চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পসি হান্না রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা কাপকন্দবনি হায়জরবসু মফম খরদদি খুদক্তা ভেক্সিন কাপ্পী। হন্দক্কী অনীশুবা ৱেভদা ওথোরিটিগী অচৌবা অহোংবা লৈবদগী ইমুং অনীগী মীওই পোজিটিভ ওইবা য়াওবদগী ষ্টেট কলা একাদেমীদা মীওই ১২ হৌখিবা মে ২৪দা টেষ্ট তৌখিবগী রিজল্ট নুমীৎ ৫ নিশুবা মে ২৮দা রিজল্ট পীরকখি। মদুসু কমপ্লেন্ট হঞ্জিন হঞ্জিন তৌরবা মতুংদা পীরকখিবনি। মরম অসিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মী নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। অসুম্না টেষ্টকী রিজল্ট দিলে তৌবা অসিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলকপগী মরম অমনি। অসুম্না ওথোরিটিগী অশোয়বা ময়াম অসিনা কোভিদ-১৯না লমদমসিগী চমজ খ্রবা মীয়াম্বু পাক্তক্লনা লাইচৎ অসিদগী কনবা ঙমদনা অৱাফম তাহনগদৌরে। মরম অদুনা টেষ্ট তৌবা অমসুং রিজল্ট পীবদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং অথুবদা চঙহৌদ্রগদি তুংদা লমদম অসিদা শিবগী য়াম্না হেনগৎলক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। কমপ্লেন্ট তৌফম খঙদবা ময়াম অমসু লৈরিবনি হায়বসি ওথোরিটিনা খঙহন্নিংই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পাখংবা চেঙ হোংবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): হৌখিবা মে ২৬কী অঙনবা অয়ুক্তা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাখংবা চেঙ হোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম পোইরৈতোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মৈনা ৱাই তাঙনা শম পাঙথোকপা থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা ইবুধৌ নোংশাবগী মফমদা তাইবং মীওইবনা থেংনরিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদগী ঙাকথোকপীননবা থৌনিজখি। অসুম্না অঙনবা অয়ুক্কী মতমদা মীওইবা খুন্নাইগীদমক সনা কোনুংনা থৱায় মিরেল হামচৎ হাম্ফোইনদনা থৱায় অচঙবা পীবীয়ু হায়দুনা ইবুধৌ নোংশাবদা থৌনিজখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): মোমনু ইরিকখোম্বী লূপ (মিখোল)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী অমদি ৱাসিদেবকী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরম্বী জানাকি লৈমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অৱা-অনা, শীংনবা কয়ানা থল্লবা লমদম অসিদা মৈরা পায়বীগী অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বদা নত্তনা লমদমসিগী নাৎ, শক্তম কন্ননবা অমসুং চোয়জাইননা লৈরিবা মীতৈশিংবু পুনশিন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী ইমা জানাকি লৈমনা লৈখিদবা অসিনা লমদমসিগী মৈরা পায়বী অমদি অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অহোবা অমা ওইনা লৈহৌরগনি। মহাক্কী থৱায়না মপু মাগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু নুপী সমাজনা শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ‘অৱাং সেকমাই নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবীগনু’

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): অৱাং সেকমাই নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা সেকমাই এ সীগী ওইনা অপূনবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) হাংবীগনু হায়না তোঙান তোঙানবা ক্লব ১৪না মণিপুর লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি।

তোঙান তোঙানবা ক্লব ১৪না পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাং সেকমাই নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি সেকমাই এ সীগী ওইনদি য়াম্না মতাই ওইবা মফম ওইবনা অতৈ মফম হায়বদি তেরাউরক, সঞ্জেনবম, হাওরং খুনৌনচিংবা অমসুং খাথংবা সেকমাই এ সীগী মনুং চনবা খুঙ্গংশিংদগী লাকপদা অৱাবা অমা ওইগনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা সেকমাই এ সীগী ওইনা সী ঐচ আই সী হাংবীগে হায়রবদি ময়াই ওইবা খুরখুল সর্দার পটেল হায়স্কুলনচিংবা মফমদা হাংবীনবা হায়জরি। অদুগা অৱাং সেকমাইগী ওইনা মখোয় মশাগী খুলগী ওইবা হাংজগে হায়বদদি অয়েৎপা লৈতে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সেকমাই এ সীগী মনুংদা লৈবা খুঙ্গংশিংনা মাগী মাগী খুঙ্গংগী ওইবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) হাংনিংবা লৈরগদি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিনবীরক্লবা সেকমাই এ সীগী মীয়াম, ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সী এস ওশিংদা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা সী ঐচ আই সী হাংবা মতমদা সেকমাই এ সীগী এম এল এগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রক্লি।

## কোভিদ- ১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা ৱা ঙাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টগী শরুক অমা ওইনা ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটি অমসুং ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা চথরকপা নেসনল টোক্ষকী ভর্চ্যুএল সেরিজগী অহুমশুবা লেকচরর ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী ষ্টেট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা. টি মনিহারনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা ৱা ঙাংখ্রে হায়না ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটি অমসুং ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনভিনর ডা. এল সন্তোশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মিমস, এম য়ুগী দিরেক্টর প্রোফেসর জিবোনকুমার শর্ম্মনা মোদরেটর অমসুং এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ এদল্ট কন্টিন্যুয়িং এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটেন্সনগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর ডা. রাজকুমার সুরেশনা কো-মোদরেটর ওইরগা টোক্ষ প্রোগ্রাম অদু চথখিবনি। অদুগা প্রোগ্রাম অসিগী কনভিনর ডা. লাইশ্রম সন্তোশনা অহুমশুব লেকচর অসিগী পেনেলিষ্ট অমদি পার্টিসিপেন্টশিংবু তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি।

লেকচর প্রোগ্রাম অদুদা ডা. টি মনিহারনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মতৌ করম্না থোরকখিবনো অমদি হৌজিক লৈরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা শুগায়বা ৱারোল থমখি। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা সোসল এন্দ হেল্থ সিষ্টেমশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। লোয়ননা ইন্দিয়াদা অমদি মণিপুরদা ভেক্সিন অসি মতৌ করম্না কাপ্পা হৌরকখিবগে অমদি হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়া য়াম্না ভেক্সিন কাপখ্রবগে হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পগী মরুওইবশিংগী মতাংদসু শুগায়বা ৱাফম কয়া থমখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে, মীয়ামদা ৱাখল তাহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩না সেনা অথলেটিক্স ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) অমসুং সেনা য়ুথস ট্রষ্ট ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়গী থৌমীশিংগা লোয়ননা ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩গী লৈরক খুল্লক্কী লম্বীশিং সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখ্রে।

ককচিং এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অচঙবা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট পীদুনা ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩গী মফমশিংদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি নাবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু লাইচৎ অসিনা নাবা মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসিদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্নবগী পাউজেল পীবগা লোয়ননা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট কাপথোকখিবনি হায়রি। ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩গী মনুংদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লসু লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি ঙাকপা, য়ুম্লক্তা মীয়াম পুন্না পুন্না ফমিন্নদবা, চাক চামিন্নবা তৌদবা, লাইচৎ অসি থিংনবা হোৎনবদা মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংশিং মাইক শীজিন্নদুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনখি।

# ‘কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবশিং লেম্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবশিং লেম্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবীয়ু হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পীক্লবা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা শোকহল্লবা মশীং মীপায়নিংঙাই ওইরবা ফীভম অমদা য়ৌরক্লে হায়বসি লৈঙাক্লোয়শিংনসু খঙনরবা ৱাফমনি। ফীভম অসিদা মতম থাদুনা লৈথোকপগী মহুৎতা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা মশা-মশাগী এরিয়াশিংদা কোভিদ-১৯গী হোটস্পোট ওইরবা লৈকায় লৈকায়শিংদা লৈবা মীওই খূদিংমক লেম্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলবদি লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মশীং খরদি হন্থরক্কনি।

হৌখিবা এপ্রিল থাদগী ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী মথক্তা শিখিবা মশীংসু ৱাংলকপদগী লৈঙাক্লা মে ১দগী নুমীৎ ৭নিগী ওইবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনীদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউখিবদগী দিষ্ট্রিক্ট অনীসিগী মপাল তাঙদুনা হিংনবা হোৎনরিবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী শেন্থোক খঙহন হন্থখি। মসিগী মথক্তা তমথীরবা লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদবদগী ষ্টেট লৈঙাক্লা হৌখিবা মে ৭তগী কোভিদ-১৯ হোটস্পোট ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭তা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবদগী নোংমগী শুরগা চরা তান্নবা হোৎনরিবা মীওই কয়াগী শেন্থোক লম্বী মাঙহনখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওই, ওইদে হায়বা খঙনিংবা কয়া লৈরবসু টেষ্ট তৌনবা শেল পুথোকপা ঙমদবদগী কয়া অমা টেষ্ট তৌদনা লৈরিবনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীপুম খূদিংমক ভেক্সিন কাপ্পনবা ফোঙদোক্লিবসি এ আই টি য়ু সী মণিপুরনা তরাম্না ওকই। তৌবতবু অহানবা খোঙথাং ওইনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা লৈকায় নৎত্রগা লৈরক কয়াদা লৈরিবা ইমুং কয়াগী মীওইশিং কোভিদ টেষ্ট লেম্না তৌবীরবদি লায়না লাইচৎ অসিনা নাবগী মশীং খরদি হন্থরক্কনি। লোয়ননা হোম আইসোলেসন তৌরিবশিং অথুবা মতমগী মনুংদা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা থম্নবা হোৎনরবদি লোকল ট্রান্সমিসনগী চাং হন্থরক্কনি হায়বসি এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী থাজবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কম্যুনিটি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামদা সলুংফম য়াওখিদে, দিপার্টমেন্টনা লান্না শন্দোকপীগনু : য়ু সী ও

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা খোঙথাং অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু থা অসিগী ২৭তগী মাস কম্যুনিটি ভেক্সিনেসনগী থবক পাক শন্না হৌদোকখ্রে হায়না ঙরাংগী ইম্ফালদা ফোঙবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া খরদা য়াওখিবা পাউদা হৈরোক এ সীগী সলুংফমদসু ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখি হায়না লান্না হাপচিনবীরকপা লাইবক থীবনি। সলুংফমদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমত্তা পাঙথোকখিবা লৈতে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা লান্না পাউ শন্দোকপীগনু হায়না য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (য়ু সী ও) সলুংফমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী ও সলুংফমগী জেনরেল সেক্রেটরি নরায়ন ঙাঙোমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নুমীৎ অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদদি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। অদুগা হৈরোক এ সীগী সলুংফমগী ওইনদি হিদাক কাপখিবা লৈতে। সলুংফমগী ওইনসু ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর (দি এফ দব্লিয়ু ও) থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচানা ওর্দরদি থোকপীরকখি। লোয়ননা দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবালনা য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (য়ু সী ও) সলুংফমদা হায়বীরক্তুনা হিদাক কাপ্নবগীদমক পব্লিসিটি ফাওবা চৎখি অমদি নুমীৎ অদুদা হিদাক কাপ্নবগীদমক মীয়াম থোক্লুরকখি। অদুবু দিপার্টমেন্টনা সলুংফমগী মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খনবীদুনা নুমীৎ অদুদা দিপার্টমেন্টকী মী অমত্তা লাকপীদ্রগা করিগীদমক সলুংফমদসু ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখি হায়না লান্না পাউ শন্দোকপীরিবনো। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা শেংদোকপীরকউ। সলুংফম মীয়াম্বু হঞ্জিন হঞ্জিন করেম্নবীগনু হায়রি।

অসুক য়াম্না লুরবা তানফম অসিদা সলুংফমদা ভেক্সিন সেন্টর লৈতবনা অতোপ্পা মফমদা চৎলগা হিদাক কাপ্পগী ফীভমদা লৈরকপনা মরম ওইরগা মী লিশিং ৮ লোম লৈবা খুঙ্গং অসিদা মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা য়ুনাইদেট ক্লবস ওর্গনাইজেসন (য়ু সী ও)না লমদম অসিদসু ভেক্সিনেসন সেন্টর অমা থম্বীয়ু হায়না মীদিয়াদা হায়খিবা অমদি সী এম ও থৌবালদা অইবা পীদুনা খঙহল্লবা মতুংদা দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবালনা ওর্দর থোকপীদুনা সলুংফমগীসু থা অসিগী ২৭তা হিদাক কাপ্নবা দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবালনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না নুমীৎ অদুদা মীয়াম্না থোক্লুরক্তুনা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পিশিং ঙাক্লা ডোক্তরশিং লাকপা ঙাইনখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সলুংফমগী য়ুম-য়ুমদা লৈজবা মীয়াম অসিবু করিসু লৈতনা দিপার্টমেন্টনা হিদাক কাপকনি হায়দুনা কৌথোক্লগা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তা লাক্তবদা মীয়াম্না নুমীৎ অদুদা শাউনখি অমদি আর সী এ কোভিদ-১৯ হৈরোক এ সী কৌবা ওর্গনাইজেসন অমগী ইন-চার্জনি হায়বা লাইশ্রম জাদুমনি কৌবা অমনা দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবালদা অইবা চে থাদুনা সলুংফমদা হিদাক কাপ্পা থিংজিল্লম্বা পুম্নমক অসিগী অশাওবা মীয়ামদা লৈরিঙৈদা সলুংফমদসু ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখি হায়না মীদিয়াদা হায়বীরকপা অসি লাইবক থীবনি। দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবালগা মীওই খরগা শীন্নরগা অতম্না তৌবা মাল্লি, মসিগুম্বা অপীকপা রাজনিতি তৌবীগনু। প্রোগ্রামদি তৌদনা পাউচেদা উৎলগা দিপার্টমেন্টগী শেল লৌথোক্লবা শীল্লব্রা হায়বগী চিংনবা য়ু সী ওদা ফাওজৈ হায়রদুনা লান্না পাউ হাপচিন্দুনা মীয়াম্বু হঞ্জিন হঞ্জিন খোয়শাউনহল্লিবা অসি দিপার্টমেন্টনা অথুবদা শেংদোক্ত্রগাদি লমদম অসিগী মীয়ামগী অশাউবা অসি য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, সলুংফমনা থেমজিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লাকপসু য়াই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা তারক্লি।